খাসোগ্গি হাৎখিবদা চেন্নবশিং সাউদি অরাবিয়াদা প্রোসিক্যুসন চত্থরগনি : সাউদি ফোরেন মিনিষ্টর

أصدقاء خاشقجي
Khashoggi Friends
Around The World
Whoever is behind the crime, they mustn't get away with it

মনামা, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সি):

জমল খাসোগ্গি হাৎখিবদা চেন্নবা মীওইশিং খুৎশিন্নরকউ হায়না টর্কিনা তকশিল্লকখ্রবা মতুংদা সাউদি অরাবিয়ানা মীওইশিং অদু রিয়াধতা প্রোসিক্যুসন চত্থগনি হায়না ফোরেন মিনিষ্টর অদেল অল-জুবেরনা ফোঙদোকখ্রে।

বাহরেনগী কোনুং মনামাদা পাঙথোকখিবা রিজনল দিফেন্স ফোরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, মীওইশিং অদু সাউদি মচা ঙাক্তনি। মখোয় পুম্নমক সাউদি অরাবিয়াদা ফাজিন্দুনা থম্লগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা হৌরে। লৈবাক অসিদা প্রোসিক্যুসন চত্থনবগী থৌরাং লৌখৎপসু হৌরে।

টর্কিস প্রসিদেন্ট রিসেপ তায়িপ অর্দোগাননা খাসোগ্গি হাৎপদা চেন্নবা সাউদি মচা ১৮ খুৎশিন্নরক্লবা তকশিল্লকখ্রবা মতুংদা জুবেগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। চয়োল অহুম্লোম মফম খঙদনা লৈরকখ্রবা খাসোগ্গিবু কন্স্যুলেট মনুংদা হাৎখ্রে হায়না রিয়াধনা ফোঙদোকখি। মাঙজৌননা থৌরাং তৌরগা পাউমী অদু হাৎখিবনি। অদুম ওইনমক হিরম অসিদা ক্রাউন প্রিন্স মহমদ বিন সলমান চেন্নদে হায়না রিয়াধনা ফোঙদোকখি।

জুবেরনা হায়খি, ৱাফম অসি কুপ্না ইনভেষ্টিগেসন চত্থরিবা মরম্না অথুবা মতমদা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙম্লগনি। মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা প্রোসিক্যুসন চত্থনবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলে। মতম শাংনা সাউদি রোয়ল ফেমিলিগা নক্লবা মীশক অমা ওইদুনা লাকখিবা খাসোগ্গিনা মহমদ বিন সলমানগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙখ্রবা মতুংদা মহাকপু কন্স্যুলেট মনুংদা হাৎখিবনি।

লৈখিদ্রবা ৱাশিংতন পোষ্টকী কলমনিষ্ট অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চেন্দুনা লৈরকখি। মফমদুদা লৈরগা মহাক্না ৱাশিংতন পোষ্টতা ক্রাউন প্রিন্সকী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা ওক্টোবর ২ দা খাসোগ্গিনা ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেট মনুংদা চঙখিবা মীয়াম্না উনহৌখি। সাউদি অরাবিয়াগী পাউমী জমল খাসোগ্গি হাৎখিবগী থৌওংনা মিদল ইষ্টতা চরাংনবা ফীভম থোকহল্লকপা য়াই। হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মেটিসনা ফোঙদোকখ্রবনি।

ৱাশিংতন পোষ্টকী কলমনিষ্ট ওইরিবা সাউদি মচা জমল খাসোগ্গি হাৎখিবনা রিয়াধকা নক্লবা নোংচুপ লৈবাকশিং খোয়শাউনবা পোকহন-খিবগা লোয়ননা অচৌবা ৱাথোক অমা থোরকপা য়াবগী ফীভম লাকখি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ৱাথোক অসি তরাইনা লৌরোই হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওইশিং লেম্না থারোই হায়নসু ফোঙদোকখি। দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মেটিসনা হায়খি, মালেমগী চৎন-কাঙলোন ঙাকখিদবগী থৌওংনা মিদল ইষ্টতা চরাংনবা ফীভম ওইহল্লকপা য়ানা লৈরে। মরী লৈনবা খুদিংমক্না খাসোগ্গি লৈখিদবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। সাউদি অরাবিয়াগী পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা হায়খি মদুদি, খাসোগ্গি হাৎখিবগী থৌওং অদু মাঙজৌননা থৌরাং তৌখিবনি হায়বগী চপ চাবা খুদম ফংলে। মমাঙদা সাউদি ওফিসলশিংনা শোয়বদগী খাসোগ্গি হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগা পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী ৱারোল অদুগা তায়ওন্নবা ওইনা থোকখি।

মিদল ইষ্টতা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইহল্লকপা য়াবা ৱাফম অসিগী মতাংদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপিওনা হায়খি মদুদি, খাসোগ্গি মীহাৎকা মরী লৈননা সাউদি মচা ২১ গী ভিজা কক্লগনি। হায়রিবা মীওইশিং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চঙলক্লবগী অয়াবা পীররোই।

মেটিসনা হায়খি, মিদল ইষ্টতা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বসর অল অসদকা নক্লবা রসিয়া চঙলকপা তারবসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মহুৎ শিনবা য়ারোই। কটার অমদি অরব লৈবাক মরিগী মরক্তা য়েৎনবগী থৌওং অথুবা মতমদা লোইশিনহন্দুনা মিদল ইষ্টতা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লাকহনবা মথৌ তারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মফম লৌথোকখ্রবা ৱিক্রেমেসিনঘে স্পিকরনা মখা তানা শকখঙলি

কলম্বো, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সি):

শ্রীলঙ্কাগী পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর কারু জয়াসুরিয়ানা ঙসি রানিল ৱিক্রেমেসিনঘেবু লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা শকখঙখ্রে। থৌওং অদুনা প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনানা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোকখ্রবা য়ু এন পিগী লুচিংবা অদুগী কোকথক্তা নল্লম্বা পোলিটিকেলগী অরুম্বা পোৎলুম অমদি লৌথোকখ্রে হায়না লৌনরি।

প্রসিদেন্ট সিরিসেনাদা থাবা লেট্টর অমদা জয়াসুরিয়ানা নবেম্বর ১৬ ফাওবা হাউসপু সস্পেন্দ তৌনবা সিরিসেনানা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং মদুনা লৈবাক অদুদা অরুবা, পামদবা ফীভম কয়া লাকহনগনি হায়খি। মহাক্না প্রসিদেন্টদা মীয়াম্না দিমোক্রেসি ঙাক্লবা অমসুং অফবা লৈঙাক লৈহন্নবগী পৱার শিন্নখ্রবা ৱিক্রেমেসিনঘেদা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইবগী অখন্নবা রাইটশিং হঞ্জিনহন্নবা তকশিনখি।

স্পিকরনা মখা তানা হায়খি মদুদি, পার্লিয়ামেন্টবু মথৌ তৌহন্দনবা প্রোরোরোগ তৌবা হায়বসি স্পিকরগা তান্নরগা লৌখৎকদবা খোঙথাংনি। পার্লিয়ামেন্টবু নবেম্বর ১৬ ফাওবা প্রোরোরোগ তৌবা হায়বসি লৈবাক্কী ওইনা পামদবা ফীভম কয়া লাক্লিংঙাই ওই অদুনা ৱারেপ অদু খন্নবীয়ু। সিরিসেনানা ৱিক্রেমেসিনঘেগী সিক্যুরিটি লৌথোক্লবা লৌখিবা ৱারেপ্পুসু স্পিকরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, শ্রীলঙ্কাদা খোঙজেল থুনা ওইরক্লিবা ফীভম কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে। ন্যু দিল্লিদা এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, শ্রীলঙ্কাদা হৌদক ওইরক্লিবা পোলিটিকেল খোঙথাংশিং ইন্দিয়ানা কুপ্না য়েংশিল্লি। নক্লবা মরী লৈনবা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অমা ওইনা মরী লৈনবশিংনা দেমোক্রেটিক ভেল্যুশিং অমসুং কনষ্টিট্যুসনল প্রোসেস ঈকায় খুম্নগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। মরুপ-মপাং ওইনবা শ্রীলঙ্কাগী মীয়ামদা ঐখোয়না মখা তানা চাউখৎ থৌরাংগী মতেংশিং পীখিগনি।

কনষ্টিট্যুসনল ক্রাইসিস মরক্তা শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনানা নবেম্বর ১৬ ফাওবা পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্দ তৌখিবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

সেলশিং মোনিটর তৌনবা চিপ শীজিন্নবা থ্রি দি ওর্গান পুথোকখ্রে

লন্দন, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সি):

সেলশিংগী ফীভম খুদক্কী ওইনা লেপ্তুনা মোনিটর তৌবা ঙমহনগদবা চিপতা য়াওবা থ্রি-দাইমেন্সনল (থ্রি দি) ওর্গান অমা থীজিন হুমজিনবা টিম অমনা পুথোকখ্রে। অনৌবা থ্রি দি ওর্গান অদুনা থিজিন হুমজিনবদা শাশীজিন্নবা হন্থহনবগা লোয়ননা লায়না কয়াগী অনৌবা লায়েংশিং পুথোকপদা মতেং পাংলগনি হায়রি।

নেটিভ টিস্যু ষ্ট্রক্টচরগা চান্নগদবা মওংদা স্পোঞ্জগুম্বা অথোৎপা পোৎশক অমনা শাবা থ্রি দি ত্রাঞ্জিষ্টর অমগী মনুংদা সেলশিং য়াওবা দিভাইস অদুনা সাইন্টিষ্টশিংবু অনৌবা মওং কয়াদা সেলশিং অমসুং টিস্যুশিং ষ্টদি তৌবা ঙমহল্লগনি।

সেলশিংবু দাইমেন্সন অহুমদা শেমগৎ-শাগৎপনচিংবা মথৌ তৌবা ঙমহন্দুনা দিভাইস অদুনা হকচাংদা সেলশিংনা শেমগৎ-শাগৎপনচিংবা অহোংবা লাকপগী ফীভম মান্নবা মওংদা মতৌ তম্বা ঙম্মী। সিষ্টেম অসি শীজিন্নদুনা মপান্দগী থারকপা দ্রগশিং নৎত্রগা টোক্সিনশিংগা মরী লৈননা ঐখোয়না টিস্যুগী অহোংবা অমদি মসিগী মশা ফবা নৎত্রগা ফত্তবা ফীভম মোনিটর তৌবা ঙম্মী হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ কেম্ব্রিজগী পোষ্ট দোক্টরেল রিছার্চর চরালমেপোস পিটসালিদিসনা হায়খি।

হূ চেল্লি, চেন্দে নৎত্রগা হূগী চাং লেপ্নবগী চাংয়েংদা চৎতনা ঐখোয়না টিস্যু অমদা অকক্লবা লায়না অমা চঙহনবা অমসুং লায়না অদুদা চেন্নরিবা মরুওইবা মেকানিজমশিং ষ্টদি তৌবা নৎত্রগা মদুগী অচুম্বা লায়েংশিং পুথোকপা য়াগনি হায়না পিটসালিদিসনা মখা তাখি।

সাইন্স এদভান্স হায়বা জর্নেলদা ফোঙবা ষ্টদিদা রিছার্চরশিংদুনা মখোয়গী দিভাইস অদু শেমদোক শেমজিন তৌদুনা ওর্গান মখল কয়া থোকহনবা য়াই হায়বদি চিপ অমগা শম্নহন্দুনা লিভর নৎত্রগা হার্ট ষ্টদি তৌবা য়াহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

রেষ্টুরেন্ট ওনর ১ কনভিক্ট তৌখ্রে

লন্দন, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সি):

পিনট এলর্জিগী ইফেক্টনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা নুপীমচা অমদা চানবা পোৎলম শিন্নখিবা বৃটেনদা লৈবা ইন্দিয়ন রেষ্টুরেন্ট অমগী মপু অমসুং দেলিভরিমেনবু শোয়বদগী মী হাৎপগী মরাল শিখ্রে।

লোকেল ন্যুজ রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৬ কী অথেংবা শরুক্তা মেগান লী কৌবী মতমদুদা মশাগী চহী ১৫ শুরবা নুপীমচা অদু অৱাংথংবা ইংলেন্দগী লঙ্কাসায়রদা লৈবা লোকেল আউটলেট অমদা ওর্দর তৌখিবা অচাপোৎ চারুবদগী রিয়েক্সন লাকখি। এলর্জি এটেক্না মরম ওইদুনা মহাক ফহনবা ঙমদবা মওং অমদা ব্রেনদা শোকখি অমসুং কুমজা ২০১৭ কী জান্যুৱারি ১ শিখি হায়রি।

য়ু এনগী প্রোগ্রামদা ইন্দিয়ানা মতেং পাংখ্রে

য়ু এন, ওক্তোবর ২৮ : য়ু এন পিছ কিপ্পিংগী কম্মান্দরশিং ট্রেন তৌনবগী প্রোগ্রাম অমদা ইন্দিয়ানা দোল্লর ৩০০,০০০ মতেং পাংলক্লে হায়না সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজগী স্পোক্সমেন ষ্টেফেন দুজারিকনা ফোঙদোক্লি। চহী অহুম চুপ্না পায়খৎকদৌরিবা প্রোগ্রাম অদুনা তুংদা কম্মান্দর অমসুং মেনেজরশিংবু মখোয়গী পর্সনেলশিংগী মরক্তা য়ু এনগী দিসিপ্লিনগী ষ্টেন্দর্দকা মরী লৈননা এৱ্যেরনেস হেনগৎহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। ইন্দিয়াগী তেংবাং অদু মরুওইনা দিসিপ্লিন অমসুং কন্দক্টকী ওইবা ইস্যুশিংদা শীজিন্নগনি। অন্দর সেক্রেটরি জেনেরল ফোর ফিল্ড সপোর্ট অটুল খারেনা ফোঙদোকখিবদা, প্রোগ্রাম অসি সেক্সুএল এক্সপ্লো-ইটেসন অমসুং কন্দক্টকী ইস্যুশিংদা মীৎয়েং চঙবা অহানবনি।

আইরলেন্দদা লেফ্‌টিষ্ট প্রসিদেন্ট মাইকল হিগ্গিনস অমুক হন্না মায় পাকখ্রে

দবলিন, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সি):

আইরলেন্দগী লেফ্‌টিষ্ট প্রসিদেন্ট মাইকল দি হিগ্গিনস অমুক হন্না মীখলদা মায় পাক্তুনা মখা তানা অনীশুবা টর্ম অমগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে।

লৈবাক অদুগী কনষ্টিট্যুসনদগী ব্লাসফেমিদা থম্লিবা অথিংবা লৌথোকপগী ৱাফম শৌগৎলদুনা থাংজনুমীৎতা ভোটর মশিং অয়াম্বনা হিগ্গিনসতা ভোট পীখি। থেংজিল্লকপদা মহাক্না ইথনিক মাইনোরিটি গ্রুপ অমা ক্রিটিসাইজ তৌরুবদগী হান্নগী রিয়েলিটি সো সেলিব্রিটি অমনা ফীভম খরা ফজরকপগী মওং লাকখিবা ওইরবসু হিগ্গিনসনা অপূনবা ভোট মশিংগী চাদা ৫৬ রোম ফংদুনা মীখলদুদা লাইনা মায় পাকখি। তোঙানবা বেলোট অমদা ভোটর চাদা ৬৫ রোম নৎত্রগা মীওই ৯৫১,৬৫০ না কনষ্টিট্যুসন্না ব্লাসফেমি (লাইনিং লাইশোনদা উশিৎ থওইদবা উৎপা) দা থম্লম্বা অথিংবা লৌথোকপগী ৱাফম শৌগৎতুনা ভোট পীখি।

ভোট অদু মরুওইনা সিম্বোলিক ওইনা উনখি, মরমদি মোদর্ন আইরলেন্দদা ব্লাসফেমিগা মরী লৈননা কনামত্তা প্রোসিক্যুট তৌখিদ্রি। তশেংনমক অথিংবদুনা প্রোসিক্যুসন অমত্তা লাকহনখিদে। তৌইগুম্বসুং রাইটস গ্রুপশিংনদি অথিংবা অদুবু শুপ্পমগী লৈঙাকশিংনা মখোয়গী অথিংবশিং চৎনহন্নবা হোৎনরকপদা হেক হেক শীজিন্নে হায়না ফোঙদোক্লখি।

আইরিশ ভোটরশিংনা ‘ব্লাসফেম্মস’ হায়বা ৱাহৈ অসি লৈবাক অদুগী লোদগী লৌথোকপা পাম্মী। অদুনা হৌজিক্তি ব্লাসফেম্মস ওইবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা ঙাঙবা অমদি অসিগুম্বা ৱাহৈ-ৱাতাশিং ফোঙবদা থম্লম্বা অথিংবদু লৈররোই।

ভোটকী মাঙওইননা কেথলিক চর্চনা ফোঙদোকখিবদা, আইরিশ কনষ্টিট্যুসনল ক্লোজ অদু মতমগা চান্নদ্রে হায়খি। হিগ্গিনপু মমিংগী ওইনা লৈবা, কনষ্টিট্যুসনল পৱার নীংথিনা শীজিন্নবগী মওং উদবা প্রসিদেন্টকী ফম পায়নবা অমুক হন্না টর্ম অমগীসু খল্লিবদুদা কনামত্তনা চিংনবা লৈখিদে। মহাক্না লাইনা মায় পাকপা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং আইরলেন্দগী ‘দ্রেগোন’স দেন’ রিয়েলিটি সোগী হান্নগী পেনেলিষ্ট অমনা হান্না থাজরমদবা মওংদা ফীভম ফগৎপা ঙমখিবদু শিংথানিংঙাই ওই হায়না লৌনখি।

ব্লাসফেমিবু কনষ্টিট্যুসন্না ওফেন্স অমা মখা তানা ওইহন্দনবগী প্রপোজেল অদুবু শৌগৎখিবা ভোট মশিং চাদা ৬৪.৮৫ ওইখি। হিগ্গিনসনা ফংখিবা ভোট মশিং পুন্না ৮২২,৫৬৬ নি।

টর্কিস ফোর্সশিংনা সিরিয়াগী কর্দিশ ৱাই পি জি মিলিস্যাদা এটেক তৌখ্রে

ইষ্টানবুল, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সি):

সিরিয়াগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা য়ুফ্রেটিস তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বানদা লৈবা ৱাই পি জি মিলিস্যাগী পোজিসনশিংদা টর্কিস ফোর্সশিংনা বোম, নোংমৈনচিংবা শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা এটেক চত্থখ্রে হায়না ঙসি ষ্টেটনা চলাইবা অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোক্লি।

টর্কিগী বোর্দরশিংদা খুদোংথিবা ফীভম লাকহনগদবা মীওইশিংদা প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগননা অরোইবা ৱার্নিং পীখিবা মতুং নুমীৎ নিনিখক কান্নরগা এটেক অদু চত্থখিবনি। অঙ্করানা য়ুফ্রেটিসকী নোংপোক্তা লৈরিবা সিরিয়াগী কর্দিশ ফাইটরশিংদা মীৎয়েং চঙনবা লেপ্লে হায়না পনবগা লোয়ননা ইর্দোগন্না চেকশিনৱা অদু পীখি।

অনাদোলুগী রিপোর্টনা হায়, বোমগী এটেক অদু নোরদর্ন সিরিয়াগী অয়ন অল-অরব রিজনগী নোংচুপতা লৈবা জোর মাগর এরিয়াদা টার্গেট তৌখি। এটেক অদুগী পান্দমদি টেররিষ্টকী থবক থৌওংশিং থীংবনি। টর্কিনা ৱাই পি জি মিলিস্যাবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি অমসুং চহী ৩০ হেন্না টর্কিশ লান হৌরকখিবা অথিংবা থম্বা কর্দিষ্টান ৱারকর্স পার্টি (পি কে কে) গী শরুক নৎত্রগা মশা অমনি হায়না খন্নে।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাংথংবা অফ্রিন রিজনদা ৱাই পি জি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা লাঞ্জং অমা চঙশিনখিবনি। কুমজা ২০১২ দা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং রেবেলশিংগা থেংননবা নোংচুপলোমদা হন্দোক-খিবদগী ৱাই পি জিনা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক লমগী মফম কয়া কন্ট্রোল তৌখি।

[illegible]

EDUCITY না শীনবা টেলেন্ট ছর্স স্কোলরশিপ কম্পিটিটিব ইগজাম পাঙথোকখ্রে

EDUCITY না শিনবা অনীশুবা ষ্টেট লেবেল টেলেন্ট ছর্স স্কোলরশিপ কম্পিটিটিব ইগজামিনেসন ঙসি তাং ২৮/১০/২০১৮ ইংদা ইম্ফাল ভেল্লি একাদেমী, ঘড়ীদা সেন্তর ওইদুনা চীং লেম্না পাঙথোকখ্রে। ইগজাম অসিগী রিজল্টনা লাক্লিবা তাং ১৬/১১/২০১৮ ইংদা পাউচে অসিমক্তদা হায়দোকচগনি লোয়ননা তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদবা য়ুম্বীরোই কয়াবু কম্পিটিটিবকী প্লেটফোর্মদা পুশিনবিরকপা পেরেন্ট অমসুং গর্জিয়ানশিংবু ঙমখে লৈতনা EDUCITY গী মায়কৈদগী থাগৎচরি অমসুং ইম্ফাল ভেল্লি একাদেমী, ঘড়ীদা লৈববুসু কো-ওপরেসন পীবীবগীদমক থম্মোয় শেংনা EDUCITY গী মায়কৈদগী থাগৎচরি।

HL-P/5602/29

Sd/- **Managing Director, EDUCITY**

ফোঙলে [illegible] ফোঙলে

“মচি সনা কৈথেল অমসুং পুরি পুরাবা”

- *মাপেমগী ইহান-হানবা কৈথেল মশক খঙবীয়ু*
- *মীওইপোক্কী নোংদম্বা পাইগী শিখুন খঙবিয়ু*

লাইরিক ফংফম ঃ মাইবম তোম্বা খুমন,
খুরাই তিনসিদ লম্বী।

HL-P/2328/27-29 Oct.

☎ 8794230433

[illegible]/অশোক্ কুমারবু থাগৎচরি


Ashok Kumar

ঐগী চহী অনী শুরবা অনাবা **Knee Joint Pain** তৌবনা খোঙয়া ওইথংবা কুইনা লেপ্পা ঙমদবা, চথোক-চৎশিনদা অৱাবা পোৎলুম কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। অনাবা অসিনা মরম ওইরগা খুকউ, ফৈগন নুংঙাইতবা, থবক তৌবদা লেং-ওৎপদা য়াম্না নুংঙাইতবা অসিনচিংবনি। ঐগী হকচাংগী অৱাবা পোৎলুম কয়াসে **কোন্থৌজম অসোক কুমার**-না মহাক্কী ক্লিনিক্তা শুপ্নতগী নুমিৎ তরানিথোই treatment পীবীরগা ফহনবীরে। মসিগীদমক ঐনা পাউচেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগী সেবা মতম শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

Treatment Centre :

ASHOK KUMAR HEALTH CARE
Near 'Triumph' Nawa Sindam
Sanglen, Thangapat Mapal
Imphal East, ☎ 9612988625

Sd/-
THOUDAM
MOMON
Bishnupur

HL-P/2336/29

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 23rd October, 2018

No.MU/3-392/18/FCY:/1394 In partial modification of the earlier Advertisement No. MU/FES/GL-Recruit/6-16 dated 2nd July, 2016, it is hereby notified that 4(four) Guest Lecturers on contract basis will be appointed in the Department of Law through **walk-in interview**:

Further, the candidates who have already applied for the said post under the said advertisement shall be allowed to appear in the said Walk-in interview.

Essential Qualifications: As per UGC Guidelines.

Honorarium: Rs. 500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 21,600/- (Twenty-one thousand six hundred) only per month.

Date of Interview: - 29/10/2018 at 11 AM.

Place of Interview: - Office of the Dean, School of Social Sciences, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Dean, School of Social Sciences, Manipur University, Canchipur – 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/-
David K. Zote
Registrar i/c

HL-B/4955/28&29

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 27th October, 2018

No.MU/5-162/18/FCY/1400 It is hereby notified that 5(five) Guest Lecturer on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Fine Arts through **walk-in interview** :

Essential Qualifications:

As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

Specialization: - Open.

Honorarium: Rs. 500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 21,600/- (Twenty-one thousand six hundred) only per month.

Date of Interview: - 31/10/2018 at 11:00 A.M.

Place of Interview: - Office of the Dean, School of Humanities, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Dean, School of Humanities, Manipur University, Canchipur – 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/-
David K. Zote
Registrar i/c

HL-B/4953/28&29

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 27th October, 2018

No.MU/5-163/18/FCY/1397 It is hereby notified that 4(four) Guest Lecturer on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Yoga through **walk-in interview** :

Essential Qualifications:

As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

Specialization: - Open.

Honorarium: Rs. 500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 21,600/- (Twenty-one thousand six hundred) only per month.

Date of Interview: - 30/10/2018 at 11:00 A.M.

Place of Interview: - Office of the Dean, School of Human and environmental Sciences, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Dean, School of Human and environmental Sciences, Manipur University, Canchipur – 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/-
David K. Zote
Registrar i/c

HL-B/4952/28&29

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 27th October, 2018

No.MU/II-93/FCY/Vol.I(Pt.I)/1403 It is hereby notified that 2(two) Guest Lecturer on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Statistics through **walk-in interview** :

Essential Qualifications:

As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

Specialization:- Open.

Honorarium: Rs. 500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 21,600/- (Twenty-one thousand six hundred) only per month.

Date of Interview: - 08/11/2018 at 11:00 A.M.

Place of Interview: - Office of the Dean, School of Mathematical and Physical Sciences, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Dean, School of Mathematical and Physical Sciences, Manipur University, Canchipur – 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/-
David K. Zote
Registrar i/c

HL-B/4954/28&29